# অঙাং পোকপগা মরী লৈনবা মৈতৈগী থাজনবী অমসুং নাট-কলচর, ঈরাৎ-থৌনিগী ওইবা থৌরম খরা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

হায়নৈ ব্রহ্মামক্লসু কল্লকচবা মীওই মপোক্নি। তাইবঙ মী অমগী ভেল্যু অসুক্কী মতিক ৱাংনা লৈ হায়বসি পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। মসিবু কনানসু চোয় চাং ওনবা ঙম্লোই। করিগুম্বা অমত্তনসু চাংদম্নবসু ঙম্লরোইদবা মীওইপোক্নি। ঐখোয়গী লাই-তীল থাজ ৱারীদসু মতিক ময়াই লৈখ্রবা তাইবঙপান মপুগী মতেং য়াওদনা মী পুথোকপা ঙমদবগী ৱারোল য়াওরি। গুরুনা অশিবদা তাইবঙ মী শেম্লনবা য়াথং পী। অশিবনা থবক অদু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমদ্রবদা করম্না মী শেমগদবনো হংই। গুরুনা তাকপীবা মতুংইন্না মাগী মমি য়েংলগা তাইবঙ মী শেম্মী। মিথ অসিবু য়াম্না মনুং হঞ্জিন্না নৈনবা মতমদা মীওইবা হায়বসি তাইবঙপানবগী মতিক ময়াই হায়বদি ৱাখল লৌশিং পূন্নমক্কী তূংনফম ওইবগা লোয়ননা পূন্নমক্তগী অথোইবনি হায়বসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা খঙলম্মী হায়বসিগী লেঙদ্রবা খুদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অসিগুম্লবা মমল য়ামখ্রবা মীওইবনা মপুগী শিন্থা ইন্দুনা মপূং মরৈ ফারবা ফজবা তাইবঙপান অমা শেম্লনবা পাউজেল পীরিবা মমল য়াম্লবা মিথনি। অসিগুম্বা মতিক ময়াই অসি লৈবননি অঙাং অমনা তাইবঙদা খোঙদারকপবু তরাই তরাইনা লৌদ্রিবা অমদি হরাউনা তরাম তরাম ওক্লিবসে। লমদম অসিগী লাই হরাওবনচিংবা ঈরাৎ থৌনিগী ওইবা থৌরম কয়াদা খুঞ্জাও লৈচাওনবগীদমক থৌনিজবসিমদি অদুম্মক য়াওরে। শমজিন্না হায়রবদা চাদা নাউদা শন্দোকপা হায়বসি মীওই ফুরুপ খুদিংমক্কী লাইনিং ওইরিবনি। অঙাং নাৱা অমনা মমাগী শিয়োম্নুংদগী তাইবঙপান্দা ফাওরকপবু অদুক্কী মতিক লূম্না লৌজৈ হায়বসি তাকপা ঈরাৎ থৌনি য়াওনা মখল মখাগী ওইবা থৌরম কয়া ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্মী। ওল্লকপা মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না থৌরম পরিংদা অহোংবা মচৎ মওং খরা লৈজরবসু নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুদি অদুম্মক লেঙদনা লৈরি হায়বা য়াই।

অঙাং অমা হেক পোকপগা খোয়রি নাওফম লেনবা চৎনৈ। মমাঙঙৈ মতমদা লম থাঙজৌ হায়না খঙনবা ইগুম্বা পান্বী মখল অমগী মনানা লেনবগী ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্মী। মহীক-মনাই, ফত্ত-হৌদি, লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোক্লবনি। ৱাক্তং ৱাগী কনম পয়ানা লেনবগী ৱাফমসু লৈ। লমদম অসিদা ফংলিবা অপিকপা নাপিদগী হৌরগা উ-ৱানচিংবা পান্বীশিংদা য়াওরিবা হীদাক লাংথক্কী ওইবা মতিক ময়াইশিং খঙনা শীজিন্নরম্বগী ময়েক লারবা খুদমনি। পোকপদমক ঙায়রিবা অঙাংগী খোয়রি লেনবগী থবক অসি অঙাং পোকপগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবী মায়োক্লবী মাইবীনা পাঙথোকই। অঙাং অদু অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি পুন্সি নুংশাংনবা খোয়রিদু লেল্লমদাইদা অঙাংগী থৱায় মঙা মিগা থানা তরুকমক কৌশিন্দুনা মিকোন থাগোল্লি। লেন্থৎলবা খোয়রি নাওফম অদু লৈবাক্কী চফুদা হাপ্তুনা মখুম চেৎনা খুমজিল্লগা য়ূমগী শাইগং (শাইকন) দা খরা লুনা তৌথোক্লগা ফুমজিল্লি। ফুমজিনবগী থবক অসি অঙাং অদুগী মপানা পাঙথোকই। খোয়রি নাওফম ফুল্লিবা মফম অদু থেল্লবদি অঙাং অদু খোয়দৌ থেনবা হায়বদি তোয়না ওগল্লি হায়না থাজনৈ। অঙাংদু নুপা ওইরগা য়ূমগী য়েৎ থংবা শাইগংদা অমদি নুপী ওইরগনা ওইগী শাইগংদা ফুম্মী। মতৌ অসুম্না ওই য়েৎনা নুপী নুপাগী সিম্বোল ওইনা খঙনবগী মচৎ অদু উৎলি। অঙাংগী লেমহৌবা মখোয় অদুগী মতৎ অমা কংলগা কেল্লকপদু চেৎনা লুনা থমজিন্নৈ। অঙাং অদুনা নারক য়েল্লকপা মতমদা অকংবা মখোয় অদুগা য়োৎ শুংখিবগী মথী নুঙথী (য়োৎথী) অদুগা ফূৎলগা মহী অদু পীথক্তুনা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। পোকপগী নুমিৎ হুমনি শুবদা অঙাংনা য়াম্না কপ্লকপদা মাবু তাইবঙপান্দা থিন্দোকপীরকপা শেন্নবীরম্বা গুরুনা চৎখ্রবদা মহাক্না খাইনবগীনি হায়না থাজনৈ। থায়নদি অঙাং পোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা অঙাংগী নিংথানচিংবা মপোৎ মচৈ, মফি মরোল শেম শাদুনা থম্বা তৌহৈদে হায়দুনা থৌরাং তৌনরমদে। মমাগী খোল্লাং পীথকপা হায়বসি শোয়ফদবনি খন্নবগা লোয়ননা খোল্লাং ফজনা পীথকপা ঙম্বী মমা ওইননবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা, কৈরোয়-লৈকায়গী মীওইশিং মরু ওইনা নুপী ওইবীশিংনা চেকশিন্না শেন্নৈ। খোল্লাং মরাং কায়না থোকহনবা ঙম্নবা মনা-মশিং চাহনবা অমদি লাইশোন-তিনশোনগী পান্বৈশিংসু শীজিন্নৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা য়েন্দেম অমুবী চম্ফুৎ পীজবা অমদি নুমিদাংৱাইরম ষণ কারকপা মতমদা লাইশোন শোল্লগা নান্থবনচিংবা তৌই।

অঙাং অদু পোকপগী তরুকনি শুবা নুমিত্তা য়ুপান থাবা (ইপান থাবা) গী থৌরম পাঙথোকই। হিন্দু লাইনীং চঙলক্ত্রিঙৈ মতমগী লিক্লম ইন্দুনা চথবা লাইথৌ তীনথৌগী থবক থৌরমশিং মাইবীনা পাঙথোক্লম্মী। চেঙ, এঞ্জাং-নাপি, মনা-মশিং অমদি ঙা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি লা মচেৎ তরুক্তা হাপ্লগা য়াংকোক অমদা নীংথিজনা মফম চানা চানা থেন্দুনা থম্মী। অঙাং অদু শেংনা ঈরুজথোকপীরবা মতুংদা মমাদগী তোঙান্না থম্মী। মাইবীনা ঈশিং চাইথোক্তুনা অঙাং অদু শেংদোকই। অঙাং অদুদা চাক ইনবীবগী মওং উৎলি। মদুগী মতুংদা অঙাং অদুগা লোয়ননা য়াংকোক অদু অচাকপা মৈগী মথক্তা কোয়না লৈনা উঙলবা মতুংদা মাইবীনা মমাদা হংই - “অঙাং অমদি য়াংকোক অনীগী মরক্তা করম্বনা হেন্না পাম্বগে? অপাম্বা অমা খল্লু।” মমানা খুম্মী - “অঙাং পাম্মী”। মমানা অঙাং খন্দুনা মচা হায়বসিনা অশেংবা লননি হায়বদু ফোঙদোকই। মদুদগী অঙাং মমানা মাইবীদা পোৎ চৈ শেলনচিংবা কৎলগা মচাবু নাদ-য়েক্তনা, পুন্সি নুংশাংনা য়াইফনা লৈহনবীনবা থৌনিজৈ। অঙাং অদুগী মমাগী মবুং নৎত্রগা মৌপ্বা হায়বদি মাম্মা অমনা লীরুং তেন পায়দুনা মায়কৈ মরি অমদি শুংদাইশিংদা শারোই ঙারোইশিংবু তান্থোক্লবগীদমক তেন কাপথোকপগী মওং উত্তুনা ফত্তববু মাঙহনবগী ৱাখল্লোন তাকই। অঙাং পোকপগী নুমিৎ তরানীথোইনি শুবদা পাঙথোকপা য়ূম শেংবা নুমিৎ য়ৌদ্রিবফাওবা অঙাংদু মপান্দা পুথোক্লরমদে। মৈনিং কুম্বা হায়না খঙনবা মতম অসিগী মনুংদা মমাসু ঈরুজদে। হায়রিবা নুমিৎ তরামাথোইনি অসি শাগৈ য়ূম মাংবা মতমনি হায়দুনা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা য়াওনা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা য়াদে। য়ূম শেংদোকপা নুমিত্তা শাগৈগী ইমুং খুদিংমক্না লম-ৱাই তৈথোক-শেংদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী শীজিন্নবা কোল্লিক ফেংদোক-চামথোকপনচিংবা তৌই। মমা মচা অনীমক ঈরু-মাইথজদুনা মপান্দা পুথোকই। অদুবু অঙাং অদু পোকপা থাদগী পারগা থা অহুম শুদ্রিবা ফাওবা হায়বদি শেংদোকপগী থৌরম মপাঙথোক্ত্রিবফাওবা মমা অদুনা চাকখুমদা চঙদুনা চাক থোংবা য়াদে। মতৌ অসুম্না অঙাং অমা পোকপগা মরী লৈনবা লমদমসিগী ওইবা তোপ তোপ্পা নাট-কলচর, ঈরাৎ-থৌনি অমদি চৎন-লোনচৎ কয়া লৈজৈ। অদুবু অওনবা অহোংবা কয়ানা মরম ওইদুনা মপান্থোংগী ওইবা অরং অরাক মরক্তা পূন্নমক অসি মমি শামখিদ্রা হায়বসিদা নুংনাংবা ফাওই। ●

# খুন্নাইদা অওনবা পুরকখিবা য়াওল্লোয় ইরাবত – ২

– সোটিনকুমার –

জননেতানা লমজিংখিবা মতমদুগী মপাঙ্গল কল্লবা লূপ ওইরিবা মহাসভা অদু ‘হিন্দু’ হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক্তুনা ফুরুপ অতৈসু কোনশিন্দুনা ‘নিখিল মণিপুরী মহাসভা’ হায়না অকোনবদা মমিং ওন্থোরকখি। সোসল রিফোর্মেসনদা মরু ওইবা ঈহৌগী খোঙজং ওইরকখিরম্মী। মদুনা মপাঙ্গল কনবা লূপ অমা ওইরবা মতুংদগীদি সোসল রেভল্যুসনগী অশেংবা লম্বীদা খুৎমাবা হৌরকখি। খুন্নাই অমদা চৎনরিবা অরিবা লোনচৎ, মীনা মীবু ওৎপীরিবা অদু মরু ফুক্না মাঙহনখিবা হায়বসি লৈঙাক্লোনগী শক্তি মীয়াম্না পায়রবা মতমদা ওইথোকই হায়বসি মহাক্না য়াম্না মুন্না খঙই। মরম অদুনা টুটেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমগী তঙাইফদবা তাঞ্জা য়ৌরকখ্রে। নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী মরিশুবা মীফম (চীংঙা সেসন) দগীদি পোলিটিকেল পার্টি ওইরে। চীংঙাদা ফমখিবা মরিশুবা মহাসভাগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মরু ওইখিবা ৱারেপশিংদি– মণিপুরদা পুর্নদায়ত্বশিল সাশন (ফুল রেস্পোন্সিবল গভর্নমেন্ট) লিংগদবনি, সবালোক ভোটনা (এদল্ট ফ্রাঞ্চাইস) মীখল তৌগদবনি, খুঙ্গংদা পঞ্চায়েট অমদি অনা লায়েংশঙ লিংগদবনি, খুঙ্গং খুদিং স্কুল লিংগদবনি, ফ্রী এন্দ কম্পলসরি প্রাইমারি এদ্যুকেসন পীগদবনি, লৌগী খাজনা লুপা ১২দগী ৬ তা হন্থগদবনি, চীং পাৎ তুরেল নিলাম কক্কদবনি, চীং তমগী লৈঙাক পুনগদবনি। নিংথৌগী লৈঙাক মুথৎপা, মীখল পাঙথোক্তুনা মীহূৎ খল্লগা লৈঙাকলোনগী শক্তি পায়হনবা অমদি লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবগী দিমান্দগা লোয়ননা ঈহৌ চঙশিল্লকখি। লুচিংবা ইরাবতনা মহাক্না তৌরম্মীবা সদর পঞ্চায় মেম্বর ফম মার্চ ১৫, ১৯৩৯ দা থাদোকখি অমদি খুঙ্গংদা লৌমী অমগী পুন্সিগুন্না হিংবা হৌরকখ্রে। বীপ্লবি হিজম ইরাবতনা মালেমগী অমদি ইন্দিয়াগী খরা হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লকখিবা ঈহৌশিংদা ইমা লৈবাকপু শৈথাবা ঈশৈ অমদি শৈরেংশিং লোয়ননা মীওৎ মীনৈদগী অরান খুভম ফংনবগীদমক্তা অপুনবগী শক্তি শাগৎপগী লায়র–অনং, অতোন অতা খায়দবগী নীংখা তম্না হিংবদা শৈথাবা শৈরেং ঈশৈশিংনা নীংখা তম্বগী লাঞ্জং চঙশিনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবদা নাচুংহনখিদবগুম মমা লৈবাক মণিপুরদা নিংথৌ অমদি লোইলম লৈঙাক্না সুদৎপীরবা ইরৈবাকচাশিংবু য়াইকাইহন্নবগীদমক্তা য়াইকাইরোল ঈশৈ কয়া ইদুনা মীকপ থোক্লবা হোৎনখি।

মতমদুগী মণিপুর খুন্নাইদা পোৎ পুথোক্লিবগী মরু ওইবা পান্বৈদি লম (লৌউফম) হায়বসিনি। লৌমীশিংনা লৌ উবগী লম মশানা মপু ওইজবা হায়বসি মান্নবা খুন্নাই অমদা হিংমিন্নবা হায়বগী লম্বী য়াৎপনি। ইরাবতনা ইরম্বা ৱারেং শৈরেংশিং নৈনরুরগা খঙবা ঙম্মী। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি এন্টিফ্যুদেল, এন্টি ইম্পেরিয়েলিষ্ট, এন্টি ফেসিষ্ট ওই। অদুগা মহাক্কী মরু ওইবা পান্দমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমগী শেম্নিৎলোনগী খুন্নাইদা অওনবা পুরকপনি।

কুমজা ১৯৩৯দা মণিপুরদা ফৌ চেঙ তাঙবনা মরম ওইদুনা নুপীলাল হৌরকখি। দিসেম্বর ১২দা সিফাইগী সঙ্গিন্না থিনবদা ঈহৌসিগা মরী লৈননা ইমা ইবেল অশোক অপন নংলে, নুপীশিংনা হৌরিবা ঈহৌগা মরী লৈননা মীয়াম তিনবা মিটিং অমদা ঈরাং হেন্না শাগৎপা ৱা ঙাঙলুবগীদমক ইরাবতপু লৈঙাক্না ফাজিনখি। চহী অহুম ফাদোক তারম্মী। সিলেট জেলদা থাখি। মনুংদা মতমদুগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবশিংগা তোৎন–তিন্ননা লৈমিন্নখি। জেলদা মাক্সিষ্ট, লেনিনিষ্টগী লাইরিক কয়া পারম্মী। সিলেট জেলদগী কম্যুনিষ্ট ওইরকখ্রে। জেলদগী থোরক্লগা মণিপুরদা চঙবদা কম্যুনিষ্ট ওইখিবদগী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুংদা কাছারদা মহাক্না লৈরিঙৈদা লৌমীশিংগী ঈহৌ শাগৎখি, ধর্ম্ম মান্নদবা, জাৎ মান্নদবা তোল্ল–তারবা লৌমী শিন্মীগী লুচিংবা ওইরম্মী, কুমজা ১৯৪৩দা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওরবা মতুং ১৯৪৬তা কছারদা কম্যুনিষ্ট মীরেপ ওইনা ভোট লেপখি। অনীশুবদা লৈহৌই। কছারদা লৌমীশিংগী অরান খুভমগীদমক ঈহৌ শাগৎখিবদুগী ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাকপু ‘জননেতা’ মিং থোন পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মফমদুদগী মে ২৩দগী জুন ১ ফাওবা, কুমজা ১৯৪৩দা বোম্বেদা পাঙথোকখিবা সী পি আইগী অহানবা মীফমদা শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৪৬তা মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুং মীয়ামগী লুপ কয়া শেমগৎতুনা জাতি অসিগী শেল থুম, সমাজ সংস্কৃতি, পোলিটিক্সকী মায়োনদা অহোংবা অওনবা কয়া পুরক্লবা থেংনখি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী মনুংদা হেন্না মনীং তম্বা পীবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈহন্নবা কুমজা ১৯৪৬কী এপ্রিল ৫দা নিখিল মণিপুরী মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দলগী শুপ্না ফম্বা মীফমনা পুর্নদায়ত্বশিল সাশনগী ৱারেপ লৌদুনা ফেদরেলিজমগী অকনবা ঈথিল পীখি। কুমজা ১৯৪৭কী নভেম্বর ৩০দা এম দি য়ু হোলদা নাগাশিংনা তোঙানবা ষ্টেট শেম্নবগী ৱাফম লাকপদা মণিপুরগী চীং তমদা লৈরিবা ফুরুপ পুন্নমক্কী অপুনবা মীফম কৌদুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখি। অপুনবগী শক্তম ঙাকখি। কুমজা ১৯৪৮দা অহানবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা উৎলৌ এ সীদগী কাখি। কুমজা ১৯৪৮গী ফেব্রুৱারী ২৮দগী মার্চ ৬ ফাওবা কলকত্তাদা ফমখিবা অনীশুবা সী পি আইগী মীফমনা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌবদসু কমরেদ ইরাবত অসামগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াওখি। কুমজা ১৯৪৮গী ওগষ্ট ২৩দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ইরাবতকী লমজিংদা লিংখৎখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুর, ত্রিপুরা, লুসাই হিলস অমদি কছার দিষ্ট্রিক্ট পুল্লগা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ হায়না কৌবা ষ্টেট অমা ওইনা শেম্লগনি হায়রকপগী মায়োক্তা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮দা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকপা হৌরকখিবা আন্দোলন অমসুং পুংদোংবম থৌদোক অদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱারেপ থমদুনা আন্দরগ্রাউন্দ তাহনখিবগী এসেমব্লি মীফম অমত্তা য়াওবা ফংহনখিদে।

কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্তেম্বর ২১গী ‘‘পুঙদোংবম ঘটনা’’ মতুংদা হেনফদনা অন্দরগ্রাউন্দ তারবা মতমদা দিসিপ্লিন লৈবা কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা শেমহৌদবগী খুদোংথিবশিং মথং মথং উনরক্লমই। মরম অসিদগী ওগষ্ট ২৩, ১৯৪৮দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি, দি ও সিগী থাক্তা লিংখৎখ্রবসু কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা ওইবগী চৎন–কাঙলোন, দিসিপ্লিন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা নীংথিনা ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদে। অশোয়বা কয়াসি উরক্তুনা কমরেড ইরাবতনা সেল্ফ ক্রিটিসিজম পীখি। পুংদোংবম ঘটনা মতুংদা আন্দরগ্রাউন্দ তাখ্রবদা অমুক হন্না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওক্তোবর ১৯, ১৯৪৮দা দি ও সিগী থাক্তা রিওর্গেনাইজ তৌদুনা শিংথানবা য়াবা থবক কয়া পাঙথোরকখি। মণিপুরগী মীয়ান্না য়ারবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওইরকখিরমই লোয়ননা মীয়ামগী স্বার্থদা দাবী কয়া পুখত্তুনা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসনগী খোঙজংদা খুৎলায় পায়দুনা অকনবা লাঞ্জং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকখি। কুমজা ১৯৫০গী মে থাদা পার্টি সেন্টরদগী অয়াবা লৌদুনা কমরেড ইরাবতপু বর্ম্মাদা থাখি লোয়ননা সেপ্তেম্বর ১১দা থুংখি। বর্মাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংগা অচেৎপা মরী থন্নরম্লগা পাউদম্লুনবা থোক্লকপদা লম্বীদা নারকপদগী কুমজা ১৯৫১গী সেপ্তেম্বর ২৬তা বর্মাগী তাংবোদা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

ঙসিদি ইরাবতকী পুন্সি, থবক, পান্দম, ৱাখল্লোন খিবিক অসিমক খ্বাইদগী মরু ওইরক্লে। লমদম অসিগী, ফুরুপ অসিগী, মালেম অসিগী, ওল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মহাকপু নীংশিংবগী, নৈনবগী, তুংইনবগী, তঙাইফদবদুনি হৌজিক্তি। কল্লকপা, কোন্সিল্লগা নাকোয়ননা চিংথনবা হোৎনবা, মহাক্কী ৱাখল্লোন অমত্তা য়াওদনা নুংশিবা শাদুনা কোন্থুনবা হোৎনবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। পুন্নমকসি চেকশিনবা মশক মুন্না খঙদোকপা, ইরাবতকী অশেংবা মশক নীংথিনা কন্দুনা থম্বা, পুখৎনবা হোৎনবা চঙই। ঙসিগী লমদম অসিগী ওইরক্লিবা শীংনরকপা, নুপীশিংগী হক কন্নবা, লায়র অতোনবশিংগী পুন্সিদা য়ৈরক্লিবা চৈথেং, পোৎ–চৈ তাঙবা, থবক ফংদবা নহাশিংগী তুংগী আশা উরক্তবা, কেপিটেলিজম অমদি ইম্পরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসনগী অকিবা ফংলবা অকনবা শাফুনা য়ৈশিল্লকপা ফীভম অসিদা মহাক্না লেপ্লম্বা, থেংনরম্বা নৌহৌননা নীংশিংদুনা জননেতা ইরাবতপু মশক শেংনা খঙবা, মহাক্কী পুন্সি, থবক অমসুং ৱাখল্লোন মমুৎ তানা নৈনবা, অচুম্বা অশেংবা অদুমক মাঙদা থমদুনা ফুরুপ অসিনা মাঙলোমদা চৎখৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎলসি।

ষ্টেটকী পাউ

## ওল্ড এজ হোমদা এম সী এনা ৱাটর ফিল্টর খূদোল তমখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): ঙসি মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা মণিপুরী এসোসিএসন ওফ কানাদা (এম সী এ)না হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংনা অঙৈংবা অমসুং অশাবা অফবা ঈশিং থকপা ফংজনবগীদমক হোট এন্দ কূল অলকালিন রিভর্স ওস্মোসিসকী ৱাটর ফিল্টর অমা খূদোল তন্বীখ্রে।

ৱাটর ফিল্টর অদু ঙসি অমুকোগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা থৌ পুনবা ৱাশক লৌখ্রবা সিফু টিঐচ নোরেন্দ্রো ফাওন্দর ইন্টরনেসনল কুংফু এন্দ কিক বোক্সিং ইন্দিয়ানা খূৎশন্নখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা এম সী এ অসি ইরমদম অসিদা লৈত্রগসু মখোয়না কোভিদ ১৯ থেংনবদা চীফ মিনিষ্টরগী রিলীফ ফন্দদা পাঙলকখিবা মতেং অমসুং ঙসিসু ওল্ড এজ হোম অসিদা মখোয়না অহলশিংগীদমক্তা পাঙলকখিবা মতেংশিং অসিনা মখোয়না পোক্লফম লমদম অমসুং লমদমসিগী মীয়াম্বু কয়াগী মতিক নুংশিজবা অমসুং নিংজবা হায়বদু উৎলে। মখা তারকপদসু লমদম অসিগী অৱা-অনা, লৈত-লায়রা কয়াদা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

মখোয়গীদমক্তসু মতম চুপ্পদা তাইবঙপান শেম্বা মপুনা অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংবীদুনা অৱাৎ-অপা লৈতবা, নাদ-য়েক্তনা অমসুং পুন্সি নুংশাংনা হিংবা পুন্সি অমা পীনবীবা ওইরসনু হায়না মহাক্না মখা তাখি। ঙসি তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ নন্দো লুৱাংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ওল্ড এজ হোম অসিদা লৈরিবা অহল ওইরবশিংগীদমক্তা চীঞ্জাক্কী মতেংসু পাংখি।

## সুগুনুদা ইলেক্সন কেম্পেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): বি জে পি সুগুনু মন্দলগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি তাংজেং খুন্নৌদা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী ইলেক্সন্দা সুগুনু এ সীগী বি জে পি মীরেপ ওইগদৌরিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ডা. কে মুক্তাসনানা ইলেক্সন কেম্পন হৌদোকখ্রে।

ঙসি সুগুনু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাংজেং খুন্নৌদা বি জে পিগী হৌদোকখিবা ইলেক্সন কেম্পেন অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী মতাংদা মীয়ামগা পূন্না খন্ন-নৈনবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ডা. কে মুক্তাসনানা হৌজিক ওইরিবা অমসুং তুংদা ওইরক্কদবা মণিপুরগী ইস্যু কয়াদা শরুক য়াগনি। লোয়ননা এ সী অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাবশিং অসি কোকহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

এ সী অসিগী লৌমীনা নম্না লৈবা মীয়াম্না হৌখিবা চহী কয়াদগী ঈথৈ লৌখোং মতিক চানা শেন্বীদবনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসি করিগুম্বা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লক্লবদি ঈথৈ লৌখোং মতিক চানা শেমগৎতুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

## ꯌꯨꯝ ꯆꯤꯡꯕ / য়ূম চিংবগী ওর্দর লৌজরি

কনাগুম্বগী য়ূম, কৈ, শঙ্গোয়নচিংবা থাঙ্গৎপা, মফম অমদগী মফম অমদা চিংথোকপা অমদি মমায় লৈথোকপনচিংবা পান্বীবা য়াওরবদি মখাগী ফোন নম্বর অসিদা ঙসিমক কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

**Please Contact :** সাইখোম খুম্বোংমচা সিংহ, হৈরোক পার্ট-১ হৈতুপ্পোকপী মনিং লৈকাই, **# 9615282911 or 8131989043**

HL-P/0177/28

## ꯃꯥꯡꯈꯤ / PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing PPO/SF/13340 in the name of Late Moirangthem Kamdebo Singh on the way from Nambol to Imphal Treasury on 25/08/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kumari Moirangthem Gita Devi**
D/o Late Moirangthem Kamdebo Singh
Balaram Khun, # 9612441764

HL-P/0178/28

## ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইংখোল য়োঞ্জরি

কোন্থা অহল্লুপ মখা লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা পোইন্ট ১৮ চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/0179/28 **# 8259050212**

**MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION Ltd.**
**(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)**
**IMPHAL, MANIPUR.**

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ

**NOTICE INVITING e-Tender**

The Executive Engineer-I, MPHC Ltd. Imphal, invites on behalf of the Managing Director, MPHC Ltd. online item rate bids in two bid system for the following works.

1.No. e-tender 12/EE-I/MPHC/2021-22 dated 25.09.2021 Name of Work :- “Construction of Amusement cum Children Park a Tamenglong under the scheme for Special Assistance to States for Capital Expenditure during the year 2020-21” Estimated Cost: Rs. 3,21,18,314/- Earnest Money:Rs.6,42,500/-. Period of completion 6(six) months. Last date of submission of bid 1100 hrs of 04.10.2020.

2.No. e-tender 13/EE-I/MPHC/2021-22 dated 25-09-2020 Name of Work :- “Construction of Ima Market at Noney under Special Assistance to States for Capital Expenditure 2020-21” Estimated Cost: Rs.2,40,29,457 /- Earnest Money:Rs. 4,81,000/-. Period of completion 9(nine) months. Last date of submission of bid 1130 hrs of 29.09.2020.

The bid forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

HL-B/7183/28

## ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE

Imphal, the 27/09/2021

It is hereby notified to the general public that **"CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCIAL LUP"** Office address at Oinam Sawombung, opposite The Oinam Primary (M) School, Wangoi, Imphal West District is obtaining/seeking money lender's licence under the provision of **Bombay Money Lender Act 1946** as extended in the state of Manipur.

Any objection to this regard may be sent/filed in writing to the office of the Registrar Money Lenders, Lamphelpat, Manipur within 10 (ten) days from the date of publication of this Notice.

Further, any claim objection/ suggestion is not entertained after completion of given days.

*Sd/-* **Md. Ibungochouba**
**CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCIAL LUP**

HL-P/188/28

Government of Manipur
Office of the Divisional Forest Officer
Thoubal Forest Division

## ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/NOTICE

Thoubal the 27th September 2021

No. 4/56/2020/DFO/TBL: It is hereby informed to all concerned that Shri. Wangkhei Mayum Bhopendro Singh S/o W. Boy Singh of Pechi Mayai Leikai, PO & PS Yairipok, Thoubal District has requested for change of ownership of M/s Zakir Saw Mill allotted at Thoubal Achouba MIE Registration No. 435 from Md Nasir Ahamad S/o (L) Md. Noor Ahamad of Lilong Heinou Makhong PO and PS Thoubal, District Thoubal to his name as per Deed of Agreement executed on 22nd December 2005 and the AFFIDAVIT of RM Ajijan Bibi W/O (L) Md. Noor Ahamad R/O Lilong Heinou Makhong PO and PS Thoubal, District Thoubal dated 10/2/2020. If anyone has objection to the change of ownership, it may be intimated with supporting documents to the undersigned by 10th October, 2021. Any claim/objection after the due date shall not be entertained.

Sd/- **Praveen Kumar Nigam**
Divisional Forest Officer, Thoubal Forest Division
Government of Manipur.

HL-P/0184/28

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।